# মাউদগী দেং ফাওবগী মতমদা চাইনাগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনবা মরীদা লাকখিবা অহোংবশিং -১

- পোৎশংবম হকিম খাবা -

চাইনানা মতৌ করম্না মালেমগী সুপর পৱার লৈবাকশিংগী থাক য়ৌনা হাইগৎলকখি? মসিনা করি থোকহল্লকপা য়াই? মচীন তুমখৎলক্লিবা অমসুং মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা ইকনোমি অমা ওইরবা চাইনা অমসুং মালেম অসিগী মনুংদা মপা লৈতনা মতীক-মঙম চাউরবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অনী অসি লান শোক্লুবগী তমথীরবা লম্বেল অমদা চঙশিল্লক্কদৌরিব্রা? অসিগুম্বা লুরবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম অদু শুপ্নগী পুৱারীখক্তনা পীবা ঙমদে। অদুম ওইনমক, ২০শুবা চহীচাগী মনুং -- মরু ওইনা হৌখিবা চহী ৪০ রোম অসিদা চাইনা অমসুং আমেরিকা অনী মরী লৈনবগী পুৱারীশিং অদু য়েংলুরবদি -- য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমদি চাইনা অনীমক্না মায়োক্নরিবা অরুবা শীংনবশিং অদুবু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমহল্লি।

চাইনা-আমেরিকা অনী মরী লৈনরকপগী পুৱারী অসি নৈনরুবদা, ২০শুবা চহীচাগী শরুক মঙা থোকপগী মরিদি লৈবাক অনী অসি মতমগী মতুংইন্না খোঙবু ওইনা নৎত্রগা কান্নগদবা থবক্তা তেংবাঙনবা মরুপ ওইনা লোয়নদুনা লাকই হায়বসি উবা ফংই। হায়রিবা মতম অসিগী শরুক মঙা থোকপগী অমখক্তংদা থরুম তৌনদুনা নুংঙাইনখিদে। কোল্ড ৱারগী অহানবা চহী ২০ অদুগী মনুংদা চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা য়াম্না থীনা য়েক্নবা মশেল ওইনা লৈখিবা মতমদা লৈবাক অনীমক অৱাবা মায়োক্নখি। কোল্ড ৱার লোইরমদাই চহী ২০ অদুদা চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা 'মহৌশাগী খোঙবু' ওইমিন্নরকপা মতমদা লৈবাক অনীমক্না মদুগী কান্নবা ফংখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা কোল্ড ৱার অদুদা মায় পাকখি অমসুং চাইনানা খুদোংথীবা অদুদগী নাম্বোক্তুনা হিংহৌবা ঙমখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা তেংবাঙনদুনা অফবা মরী থম্বা হায়বসি, দেং জিয়াউপিংনা চাইনাগী চাওখৎ-থৌরাং অমসুং মপানগা শম্নবা হায়বা অচৌবা প্রোজেক্ট অনী অসি থবক্তা ওন্থোক্নবা হোৎনবা হেক হৌবদগী মরু ওইবা য়ূস্ফম অমা ওইদুনা লাকখি। অসিগুম্বা চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎপা অমসুং মপানগা শম্নরকপা মতমগী তাঙ্কক অসিদা চাইনা অসি য়াম্না অহকপা 'লাল্লোংগী প্রোব্লেম' কয়া মায়োক্নবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী শেন্মীৎলোন, খুন্নাই, নাৎ অমসুং মীয়ামগী ৱাখল-নুংখলদা অঙকপগী মশক ফংলবা অওনবা অমা লাকপা থেংনখি। চাইনা অসি ঙসিদি ফর্ষ্ট ৱর্ল্ড ৱারগী মতমদা লৈরম্বা ৱীলহেম ২শুবগী জর্মনিগুম্বা লৈবাক অমা ওইদ্রে নৎত্রগা সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারগী হিটলরনা পানবা জর্মনি, মুশোলিনিগী ইটলি অমসুং লান্মীগী লৈবাক জপান হায়রিবশিং অসিগসু মান্নদ্রে। হৌজিক য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনা অনীনা মায়োক্নরিবা লুরবা শীংনবশিংগী মনুংদা নুংগী ওইবা অফ-ফত্ত নৎত্রগা অচুম-অরানগী ৱাখল খন্থবা হায়বসিসু অমনি। অসিগুম্বা শীংনবশিং অসি চাইনা-অমেরিকা খূৎ থোক্নবনা অমত্তসু থেংনবা ঙল্লোই। মরম অসিনা, পান্দম ফংনবা হোৎনবদা ফনমক লুবা তারবসু, লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা 'লৈবাকমচা তাবা ৱাখল্লোন' অমা লৈবা হায়বসি য়াম্নমক মথৌ তাই হায়না মালেমগী পোলিটিকল কম্মেন্টেটর কয়ানা ফোঙদোক্নরি।

কুমজা ১৯৭৯গী জন্যুৱারী ৩১দা মাউ-মতুংগী চাইনাদা মকোক থোংবা লুচিংবা ওইখিবা দেং জিয়াউপিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা পুৱারী ওইরবা খোঙচৎ অমা চৎনবগীদমক্তা প্লেন অমদা তোংখৎখি। খোঙচৎ অদু দেংগী পুক্নীংদা মথুম-মরাং হৌবা মতাং অমদা চৎপনি। মহাক্না অসুম্না নুংঙাইরিবা অসিগী মরমসু লৈতবা নত্তে। চয়োল খরগী মমাঙদা, পিপল'স রিপব্লিক ওফ চাইনা (পি আর সী) অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ আমেরিকা অনীনা দিপ্লোমেসিগী মরী লৈনবা হৌখি। থৌওং অসি দেংগী মফমদা, চাইনাগী অচৌবা 'চাওখৎ-থৌরাং অমসুং মপানগা শম্নবা' হায়বা প্রোজেক্ট অসিবু পায়খৎপা হৌনবা লুরবা খোঙথাং অমা লৌখৎপা ঙমহনগদবা মরম্না, মহাক্কী চাউরবা মায় পাকপা অমা ওইখি। মতম অদুদা দেংনা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অসি চাইনাগী মোদর্নিটি অমসুং মসিগী ৱাংমদা চৎপা খোঙচৎতা মরু ওইবা শক্লোন অমা শোয়দনা লৌরগনি হায়না মপূক্নীংদা খনখি। দেং ৱা য়াম্না ঙাঙগনবা মীওই অমা নত্তে, মরু ওইনা মহাক্কী খোঙলোয়শিংগা লৈমিন্নবা মতমদা ৱা ঙাঙগন্দে। অদুবু মহাক পেসিফিক লান্না পাইদুনা চৎপা খোঙচৎ মনুং অদুদা ৱা য়াম্না ঙাঙখি। চাইনাগী হিষ্টোরিয়ন অমগী মতুংইন্না মহাক্না মাগী খোঙলোয়শিং অদুদা "ঐখোয়না তুং হন্না য়েংবা মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মরুপ ওইবা লৈবাক পূম্নমক ইনাক খুনবা উই, অদুবু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়োক্তা লৈবা পূম্নমক অদুদি লায়রনা লৈ। ঐখোয় য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা পূন্না চৎমিন্নগনি" হায়খি।

দেংনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসি ইচম চম্না খনবা চুল্লোই। মসিনা বৈজীংগী মায়কৈদা, চাইনাগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনবা মরীগী ওইবা অচৌবা অহোংবা অমা লৈরে হায়বসি উৎলি। চাইনা-অমেরিকা চহী ২০ চূপ্না মুক্নদুনা লৈরম্বা অদু লোইশিনহনখিবা, য়ু এস প্রসিদেন্ট রিচার্দ নিক্সনগী কুমজা ১৯৭২দা ইথা থাজদনা চাইনাদা চৎখিবা খোঙচৎ অদুগী মতুংদগী হেনরি কিশিঞ্জরনা 'টেসিট এল্লাইন্স' হায়না মিংথোনবা মরী অসি বৈজীং অমসুং ৱাশিংটন অনীগী মরক্তা খোঙলৈ থুনা শেমগৎলকখি। সোভিয়ট য়ুনিয়ননা পীরকপা সিক্যুরিটিগী অকিবশিংনি হায়না লৈবাক অনীমক অসিনা লৌবা ৱাফমশিংগী মতুংইন্না শেম-শাবা ষ্ট্রেটেজিক অমসুং জিওপোলিটিকেলগী হীরমশিংনা লৈনরিবা মরী অসিগী মরু ওইবা শক্তম ওইখি। দেং অমসুং মাউ-মতুংগী চাইনিজ লিদরশিপ্না ৱাশিংটনগা মরী লৈননবগীদমক্তা শেমগৎলক্লিবা মীচঙ চূংশিন্নবগী অনৌবা থৌওং অসি জিওপোলিটিক্স অমসুং সিক্যুরিটিগী মীৎয়েংদা য়াম্নমক মমল য়াম্মী। ৱাফম অসি ওইদুনসু, হেন্না মরু ওইরিবদি, চাইনাগা ৱাশিংটনগা টেসিট এল্লাইন্স অমা শেম্বা অসিনা চাইনাবু মোদর্নাইজ তৌনবা পাম্বৈশিং অদুগীদমক্তা দেংগী অনৌবা থৌশিলনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং কেপিটেলিষ্ট ৱেষ্টকী তেংবাঙ লৌবা ঙমহনখিবা অসিনি।

মথক্কী ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা, দেংনা মাউইষ্ট মতমগী 'রেভল্যুস্নরি কন্ত্রি' হায়বা, চাইনানা মতম পূম্বদা ক্লেইম তৌবা থাক অসি থাদোক্নবা শেম-শাখি। গ্লোবল কেপিটেলিজমনা কন্ট্রোল তৌবা 'ৱর্ল্ড মার্কেট' অসিদা চঙশিন্দুনা চাইনিজ লিদরশিপ্না শরুক য়ানীংবগা লোয়ননা চাইনানা লৈবাক অসিবু মোদর্নাইজ তৌনবা চঙশিনবা খোঙজংদা মরু ওইবা থৌবু অমা ওইনা চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎপা অমসুং মপানগা শম্নবা হোৎনরকপদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং কেপিটেলিষ্ট ৱেষ্টনা মপূং ওইনা লৈবা ইন্টরনেশনল সিষ্টম অমসুং ইন্সটিট্যুশনশিংগী মনুং হুৎনা তপ্না-তপ্না চঙশিনবসু ঙমখি। মতৌ অসুম্না, চাইনিজশিংগী মীৎয়েংদা, মালেমগী কোল্ড ৱার অসি কুমজা ১৯৮০ অমসুং কুমজা ১৯৯০গী অথেঙবা মতমদগী ঙনখৎনা কুমজা ১৯৭০গী ময়ায়ৱাইদগী লোইরমদাই ফাওবগী মনুংদা চাইনিজ-আমেরিকান শন্দাইনরকপা, মরু ওইনা দেংগী 'চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎপা অমসুং মপানগা শম্নবা' প্রোজেক্ট হৌগৎলকপা মতম অদুদা অয়াম্বনা লোইশিনখ্রে হায়না খন্নে।

চাইনানা মপানগী লৈবাকশিংগা মরী লৈনবা, মরু ওইনা লৈবাক অসিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়কৈদা পায়খৎপা পোলিসি হায়রিবশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোকপগী লুরবা তাঙ্কক অদু চহী নিফু হৌখ্রে। অদুগুম্বা চাওখৎ-থৌরাং অমসুং মপানগা শম্নবগী থৌওং অদুনা চাইনাগী শেন্মীৎলোন, খুন্নাই মীয়াম অমসুং মালেমগী মীৎয়েং পূম্নমক অসি পূমহোং হোংহল্লে। ঙসিদি চাইনা অসি মালেমগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাউবা শেন্মীৎলোন লৈবা লৈবাক ওইরে। চাইনাগী খুন্নাই, নাৎ অমসুং মীয়ামগী ৱাখল হায়রিবশিং অসি লৈবাক অসিগী চহীচা কয়া লিরবা পুৱারীদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা য়াম্না পাক-চাউনা অমসুং অঙকপা মওংদা হোংলকপা থেংনরি। চাওখৎলকপগী অসিগুম্বা থৌওং অসিদা খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা শক্তম অমদি চাইনাদা মশীং য়াল্লবা অমসুং মপাঙ্গল য়াম্না লৈবা মিদ্দল ক্লাসকী মীওই কাঙবু অমা থোক্লকপা অসিনি। হায়রিবা মীওই কাঙলূপ অসিনা লৈবাক অসিগী অপূনবা মীওই মশীংগী মনুংদা মিল্লিয়ন ৪০০ রোম ওইরি। মিদ্দল ক্লাসকী অসিগুম্বা লেপ্পা লৈতনা পাকথোক-চাউথোরক্লিবা মতীক-মঙম অসিনা মরম ওইদুনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মতমশিংদা মখোয় মশাগী ওইবা 'পৱার' অমসুং 'রাইটস' কী তোঙানবা মশক অমা পুথোক্নীংবগী অপাম্বা অমদি মতীক মঙম শোয়দনা হেনগৎলক্লগনি। থৌওং অসি চাইনাগী নৎত্রগা মীওইবগী পুৱারীদা ফাওবা কৈদৌনুংদসু উখিদ্রিবা অঙকপা ফীভম অমনি। অসিগুম্বা মমাঙদা অমুক্তসু থোকখিদ্রিবা থৌওং অসিনা মরূ হুলহল্লকপা য়াবা পাক-চাউরবা পোলিটিকল, সোশল অমসুং কলচরগী অনৌবা শক্তম অমদি পূম্নমক অসিনা থোকহল্লকপা য়াবশিং অদুবু থৌশাদবা নৎত্রগা কূপ্না খন্থদবা হায়বসি অরানবা ওইগনি হায়না চাইনিজ স্কোলরশিংনা ফোঙদোক্নরি।

চাইনাগী চাওখৎ-থৌরাং অমসুং মপানগা শম্নবগী থৌওং অসি হেক হৌরকপদগী হৌনা পি আর সী অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অনীগী মরক্তা মালেমগী থাক্তা অমগা অমগা তেংবাঙনবগী মরী অমনা মশক তাকখি। মালেমগী কোল্ড ৱার লোইশিল্লকপা মতম অদু ফাওবদা, তাঙ্কক অদুনা লৈনরিবা মরী অসিদা অকনবা চৈফূ কয়ামরুম পীখিবা তারবসু মসিবু থদৎপা ঙমখিদে। কোল্ড ৱারগী মতম অদু লোইখ্রবা মতুংদা চাইনাগী চাওখৎ-থৌরাং অমসুং মপানগা শম্নবগী থৌশিল অসি পাক-শন্না অমসুং নীংথিনা পায়খৎলকপগী মহয় ওইনা, চাইনা অসি 'কম্যুনিষ্ট' পার্টি অমনা লৈঙাকচরবসু, চাইনিজ শেন্মীৎলোনগা, মালেমগী কেপিটেলিজমনা অসুপ্না মপু ওইবা ৱার্ল্ড মার্কেটকা অমত্তা ওইনা পূনশিন্নবগী চাং হেনগৎলকখি। চহী ২০ হেন্না চাইনা অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অনীনা কুমজা ১৯৯৭-১৯৯৮গী এসিয়ন ফাইনান্সিএল ক্রাইসিস, সেপ্টেম্বর ১১গী টেররিষ্ট এটেকশিংনা থোকহল্লকপা চাউরবা অমাঙ-অতাশিং অমসুং কুমজা ২০০৮দা থোকখিবা গ্লোবল ফাইনান্সিএল ক্রাইসিসকী শাংলবা অমদি মাঙ-তাক্লীংঙাই ওইরবা চৈফূ পূম্নমক অসি মায় পাক্না থেংনদুনা লাকখি। অসিগুম্বা অরুবা শীংনবশিং অসি লৈবাক অনী অসিনা মালেমগী মরা তপ্না, তংদু-লৈতাবা অমসুং ৱাত্ত-পাদবা হায়রিবশিং অসি কায়হন্দনা অমদি হেনগৎহন্নবগীদমক্তা, লোয়ননা, হৌজিক অপনবা কয়া মায়োক্নরিবা গ্লোবেলাইজেশনগী খোঙজেল অসি য়াঙশিনহন্নবা পূন্না হোৎনমিন্নবা 'থৌবুশিং' ওইনা থেংনমিন্নবনি হায়না এন ৱাই য়ু-শাংহাই অমসুং ন্যু য়োর্ক য়ুনিভর্সিটিগী দিষ্টিংগুইশদ গ্লোবল নেটৱার্ক প্রোফেসর ওফ হিষ্টোরি, চেন জিয়াননা মহাক্কী ৱার্কিং পেপর অমদা ফোঙদোরক্লি।

ইকুই কুইদনা, হায়রিবা ফীভমশিং অসিদা অহোংবা কয়ামরুম লাকখ্রে হায়বা ৱাফম অসি থল্লদুনা জিয়াননা হায়রি, হৌখিবা চহী খরা অসিগী মনুংদা মরু ওইনা দোনাল্ড ত্রম্পনা কুমজা ২০১৭কী অঙনবা মতমদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা মতম অদুদগী হৌখিবা চহী ৪০ অসিগী মনুংদা অমুক্তসু থেংনখিদ্রিবা, নীংহন্নবা পোক্লীংঙাই ওইরবা শীংনবশিংনা চাইনা-আমেরিকাগী মরী অসিদা অকায়বা থোকহল্লক্লি। লৈনরিবা মরী অসিনা ফীভম খংশোক শোকচিল্লকপগী মরমশিং অদু অরুবা ৱাফম অমনি। চাইনাগী চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎপা অমসুং মপানগা শম্নবগী থৌশিল অসি চহী ৪০ য়ৌশিল্লকপা মতমদা অরুবা ফীভম অমা মায়োক্নরে হায়বসি খুদম কয়ানা উৎলি। থোইদোক্না, অনৌবা লৈঙাক্লোন মখল অমনা মহুৎ শিন্দোক্লীংবা মীয়ামগী মায়কৈদগী হৌরকপা অকনবা ঈহৌ অমা মায়োক্নরকপদগী চাইনাগী 'কম্যুনিষ্ট' ষ্টেটনা লৈবাক মনুংগী পোলিটিকেল, সোশল, ইদিওলোজিকল অমসুং ইন্টল্লেকচ্যুল ওইবা ইস্যুশিংবু লাকশিন্নবগীদমক্তা তমথীরবা মীওৎ-মীনৈগী খোঙথাং কয়া লৌখৎখি। চাইনাগী শেন্মীৎলোন চাওখৎলকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা চাইনিজ ইকনোমিগী প্রাইভেট সেক্টরবু চাইনিজ ষ্টেটনা কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনখি। মসিদসু নত্তনা, চাইনাগী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা থবক তৌবগী অকক্নবা মতম লেপ্পা হায়রিবা, খুন্নাই শেমদোক্তুনা চাওখৎ-থৌরাং পায়খৎপা মতমগী খ্বাইদগী হেন্না মরু ওইবা ৱারেপ অসি ফাওবদা চৎনহন্দবগী মওংদা লাকখি। তাঞ্জা অসিদা, মালেম পূম্বনা চাইনাগী মচৎ অসি দেংগী -- মতম পূম্বদা তূমিন্না (লাইং লো) লৈগদবনি হায়বা লোনচৎ অদু ঙাক্নবা -- ফজরবা পাউতাক অদুদগী নাথৈরকপগুম্না উবা ফংনখি। ৱাফম অসিগা লোয়ননা, চাইনাগী ফোরেন পোলিসি অসি হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিগী মনুংদা, কা হেন্না শাথীবা হায়বদুমক নত্তবা তারবসু, মশাগী নাপল উৎনীংবগী মায়কৈরোমদা চঙশিল্লকখি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা আমেরিকানা চাইনাগী মতাংদা খনবা ৱাখল মওং অমসুং য়েংবা মীৎয়েং অসিসু ইখঙ খঙহৌদনা, ফনা য়াম্না হোংলকপা উরে। চাইনানা চাওখৎলকপা হায়বসিগী ৱাহন্থোক করিনো? মসিনা করি থোকহল্লকপা য়াই? অসিগুম্বা লুরবা ৱাহংশিং অসিনা আমেরিকাগী ষ্ট্রেটেজিক থিঙ্কর, পোলিসিমেকর অমসুং মিলিটরি প্লান্নরশিংবু লেপ্পা লৈতনা চমম্নহল্লি। ৱাফম অসিগীসু মথক্তা, আমেরিকাগী পোলিটিকল-মায়চৌশিংগী মরক্তা, লৈবাক অসিগী পাক-শল্লবা অমসুং মরা লুনা তাশিনখ্রবা ষ্ট্রকচরগী ওইবা মশীং য়াল্লবা ইস্যুশিং (ৱারেং অসিগী লাক্কদবা শরুক্তা মচা খায়না নৈনগদবা) বু মতৌ করম্না মশক তাক্কনি অমসুং মায়োক্নগনি হায়বা অসিগী মতাংদা য়াম্নমক ৱাখল মান্নদবা অসিনা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মীওই কয়াগী মফমদা চাইনা অসিবু ষ্ট্রেটেজিক পার্টনর নৎত্রগা খোঙবু অমা ওইনা লৌবগী মহুত্তা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মালেম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা অশুপ্পা পৱার ওইবগী 'লুরবা ইন্টরেষ্টশিং' অদুদা য়াম্না চাউনা শীংনবা, অদুগা তুংদসু মখা তানা শীংনরকপা য়াবা লাল্লোংগী লম্বা-ষ্ট্রেটেজিক রাইভেল -- অমা ওইনা শকখঙবা উৎনবা অকনবা ইথিল অমা পীরি। কুমজা ২০১৮গী ময়ায়ৱাইদগী প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা চাইনাগী মায়োক্তা অচৌবা অমসুং ময়েক শেংলবা লল্লোন-ইতিক্কী লাঞ্জং অমা চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনী অসিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী অসি কুমজা ১৯৭০দা চাইনা-আমেরিকা খূৎশম্নবা হৌখিবা মতম অদুদগী য়াম্না ফৎনদবা ফীভম অমদা লৈরে।

অসুম্না চাইনা-আমেরিকা অনীগী মরীদা অকায়বা লাকপা অসিনা মালেমগী ষ্ট্রেটেজিক, পোলিটিকল অমসুং ইকোনোমিগী চরাংনবা ফীভম অমা থোকহল্লকপগা লোয়ননা গ্লোবেলাইজেশনগী খোঙজেলদা অচৌবা পল অমা ওইরকপা য়াই হায়না চেন জিয়াননা নুংনাংবা ফোঙদোরক্লি। ●

# মীতৈ নুপী অমদি কংলৈপাক

- রাজেন তোইজাম্বা -

***"কংলৈপাক অসিগী মায়কৈ মরি ঙাক্লিবা কৌব্রু, ৱাংব্রেন, থাংজিং, মার্জিং - নখোয়গী নখুয়াদা খুরুমজে। ঙসি কংলৈ খুন্নাইনা হিংজরক্লিবা অসি লৈহৌ-নোংহৌরকঙৈদগী চায়োক নাউয়োকপীরক্লিবা ইপা-ইপু ওইনা লেংবা কৌবা লৈতনা লেপ্পীরক্লিবা চীংজাও-চীংশাং পরেংশিং নখোয় লৈবদগীনি। অদুগা পলেম খোল্লাংনগুম্না থৱায় য়াইবী পীনা লাইজ চিন দম্বীরক্লিবা য়াংদৌ তুরেলশিং, অমনা লেপ্লে চরা চইন-তম শাম্মা পাঙ্গল হাপ্পীরক্লিবা কোনয়া পাৎলেন ঈরেলবুংশিং নখোয় লৈবদগীনি। কংলৈ ঈগী ঈরিকশিংনা খুনপান লৈপান্দুনা খোইরী লীনশাং তাফম ওইজরিবা নখোয়গী নশাইগোন অসি লৈজবনা থৱায়শিং অসি হিংজরিবনি।"***

হাওরৈ নোংচুপ খানা পাংবা কংলৈপাক্কী মরমখৈ অসি য়াম্না শোকচিল্লে। কংলৈ চারোন শুরোন কয়াগী মহাকথক নোংচুপ হারম অসিদগী লাকপশিংনা পুকচাক থৎতুনা চাকনি ফিনিবগী পূন্সি অসি ওইহল্লকপা লেপত্রি। "লৈমতাক মেলতোং নুংকাইচীং হোইতোম শেনবা নহানা নোংমনখিবা লমলেন লোনলোই লৈমতাক" লৈমতাক তুরেল অসিনা হেংলেপ চীংজাও মামুনলহাং চীংদোন্দগী কিলোমিটর ৩৪ রোম লাক্লগা নোনে সব-দিভিজনদা চংশিল্লক্লি। চহী খরগী মমাঙদা তুরেল অসিগী ময়াদা লৈরিবা থেলশিংদা য়ূম মাপন-তরা, মাপন তরামুক্তা তাদুনা খুল কয়া লৈবা হৌরকখি। খুলশিং অদুদি খরদং পল্লবদা ধাটুম, শেলকাপ, মোলশোম, হাইপিজাং, পাকোল অসিনচিংবনি। তুরেল অসি কংলৈপাক ময়োলদা লৈবা মীতৈশিংনা কয়া থৌশাদে। তুরেল অসিদা নেশনল হায়দ্রো পৱার কো-ওপরেশননা লোক্তাককী মমল য়াল্লবা ঈশিং থাদরি। তুরেল অসিগী হৌরকফম ওইরিবা মামুনলহাং চীংদোন অসি ঙসিদি মীতোপশিংগী খোঙদাফম ওইখ্রবনি। হেংলেপ অসি চুড়াচান্দপুর অমদি ফেরজোল দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা য়াম্না মরু ওইরবা মফম্নি। লৈমতাক তুরেলগী নাক য়েৎতা চহী ৪/৫গী মমাঙদা খুল মচা-মচা খরদং তারম্বদু হৌজিক্তি খুঞ্জাও লোইনা ওনখ্রে। মদুগী মনুংদা জৌজাংতেক হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। লমদানমৈদগী অসুম অসুম চংশিনখ্রগা দোলাংনি। দোলাংদগী খরা চৎলগা জৌজাংতেকনি। লম অসি গাইদিমজাং কবুইগী খুল, খৌবুম খুঞ্জাওদগী ফাওরকপসু য়াই। খৌবুম খুল খৌবুম তম্পাক অসি মীতৈশিংগা থাদোক্নবা য়াদ্রবা পুৱারীগী মরী লৈনরিবনি। কুইদ্রিঙৈগী মমাঙদা খৌবুম দাম অসি লোক্তাককী ঈশিং থিংগৎলগা হায়দ্রো পৱার কো-ওপরেশননা মৈ লৌদুনা অচৌবা প্রোজেক্ট অমা ওইনা লীংখিবনি। মদুগী মহয়না কংলৈপাক্কী লোক্তাক মপান্দা তারিবা খুঞ্জা লিশীং-লিশীং কয়াগী চাকচাও ঈশিং মনুংদা লুপশিনবীরগা চাক্লি ফিনিবা ওইহল্লিবসিনি। হৌজিক মসিবু পাওহোমলুরগা কনানা তাবীখিগনি। অদুবু মসি কংলৈচাশিংনা মরমদমগী মনি ওইরিবা চীং পাৎ তুরেলশিংবু মীরাইনা য়োক্লুবগী মহয় নৎতব্রা?

কংলৈপাক অসিদা সাহেবশিংনা চংশিল্লকখিবা অসি মৈদিংঙু চীংলেন নোংদ্রেন খোম্বা (১৮২৫-১৮৩৪) না কংলৈপাক্কী মপু ওইরবা মতমদনি। গম্ভীরসিংহনা মপূং ওইনা নিংথৌ ওইখিবসি ১৮২৬নি। মতম অদুগী মীশিং লান কায়রুবগী হঞ্জিল্লকপদা চাওরাক্না মীশীং ১০,০০০ মুক্তনি। মতম অসিদা সাহেবশিংনা অহানবা খোঙদারকপা অদু "৯নি লংমাইজিংদা শ্রীপঞ্চযুক্ত চীংলেন নোংদ্রেন খোমপা মহারাজনা ফিরিংকি ২মাগা লোয়ননা মাকলং তাইএ। ১৩নি ইরাই নুমিত্তা কোনুং চঙএ" হায়না কুম্বাবদা পল্লি। মতম অদুদা সাহেবশিংনা মণিপুরগী নোংচুপ মনীং থংবা ঙমখৈ অসিবু ইরায়লায়না য়াৎলম্মী। "By the treaty of 1833, the British government agreed to give to the raja of Manipur the line of Jiri river and the western bend of the Barak river as a boundary. On the other hand, the raja of Manipur agreed to the following conditions : First, the raja was remove his thana from Chandrapur to the eastern bank of the Jiri river." (History of Modern Manipur, P-16)

সাহেবশিংগী মতমদুগী ৱায়েল অদু মণিপুর কংলৈপাক্কী ঙমখৈ অসি জিরি তুরেলগী নোংপোক থংবা তোর্ব্বান অসিদা চাউরাক্না থল্লে। অদুগা তুইভাই তুরেল অসিগী হৌরকফমদি ম্যান্মারগী চিন হিলসতগীনি। মসিনা মণিপুর অমদি মিজোরামগী ঙমখৈ পরিংদা চেন্থরক্তুনা সিপুইকোন খুলগী টিপাইমুকতা তাররি। অদুগা জিরি তুরেল ওইরিবা অদুগা অমুক বরাক ওইখ্রি। মতমদুগী সাহেবশিংগী মীৎয়েংদা চাওরাক্না কংলৈপাক্কী ঙমখৈগী মীৎয়েং অসিদা অকুপ্পা থমখিবা নত্তে। হৌজিক্তি চিন হিলসতগী শমথরক্লিবা টুইভাই তুরেলগী মরীল অসিনা জিরি তম্পাক্কা শম্নরকপদদি মীতৈশিংগী লাইবক্তা অমুবা চন্দন ওইররে। মশীং য়াল্লবা মিজো জৌমীশিং অসিগী অকা অকুম শান্নফম অসি টুইভাই তুরেলগী মরীল অসিদনি।

ইনিংথৌ মৈদিংঙু চিংলেন নোংদ্রেনখোম্বনা পানবা মতম অসিদা মীতৈ নুপীশিংগী থৌনা মখোয়গী ৱাখল উবা ফংখ্রবনি। মীতৈ নুপীশিংদি লাইরিক হৈবা হৈতবা লৈতে। বুধি লৌশিংদি লাইরিক্কী মখা পোন্দে। মরৈপাক নুংশিবদি লাইরিক চংদে। লাইরিক হৈবশিংনা মরৈপাক নুংশিবদি উবা ফংদে। কংলৈপাক্কী মমাশিংদি ফিশা টেম পায়দুনা চোংথোকপা ঙম্মী। মরৈপাক্কী ঈজৎ শোকপা থবক থৌরম, লৈঙাক্লোনগী অরানবা-খোঙথাং, মীতোপশিংনা লাকচ-খুদুম চন্নবগী থৌরাং তৌরকপা মতমদা চম্না লৈজরম্বী মীতৈ নুপীশিং নোংশা ওইরকই। মীওইবগী ইতিহাস হায়বসি অকন অথৌ, নিংথৌ অঙম অথৌশিং খরা অদুতগীনি লৌনরিবসি অরানবনি। শুজ-নোমজরগতা হিংজবী চল্লবী মীতৈ নুপীশিংগী লৌশিং থৌনা কয়াসু ইতিহাসকী চেনা কয়াদা হক্তুনা লৈরি।

মহারাজ গম্ভীরসিংহ, চিংলেন নোংদ্রেনখোম্বনা লংথবাল কোনুংদা পানবা মতম অসিদা কংলাদা সাহেবশিংনা মনীং মখা য়াম্না তৌখি। মীতৈ নিংথৌরোল কয়ানা কংলা থোল্লাং মৈ অসিদা ফম্বান তোংদুনা ঙাক্লিবা শাংলবা ইতিহাসকী সনা ফম্বাল অসি সাহেবশিংনা থৌওইবীখিদে। মতম অদুদা কংলাদা য়ুংলিবা মচু তরেৎকী ফিরাল অদু সাহেবশিংনা চিংথদুনা মদুগী মতোলদা ইংলেন্দগী নিংথৌরোলগী লুহুপ উপশিন্দুনা থমখি। মদুবু মীতৈ নুপীশিংনা উবদা খাঙবা ঙমখিদে। লৈঙাক্লোনগী ইনিল ফংলিবা মীতৈ নুপা অঙম অথৌশিংনা সাহেবশিংগী থৌওং অদুনা করি তাক্লিবনো হায়বদু উবা ঙমখিদে। মীতৈ নুপীশিং চোংথোরকখি। সাহেবশিংনা তৌরিবা থৌওং অদু মখোয়গী মখাদা কংলৈপাক অসি লৈরে, খুদুম চল্লে হায়বগী মতৌনি। মীতৈ নুপীশিংনা লান তৌখি সাহেবশিংগী থৌদৌ অদুগী মায়োক্তা লেপখি। ইনিংথৌদা ৱাকৎখি। মথস্মোয়দদি নুংঙাইত্রবা ইনিংথৌনা করি তৌবা ঙমখি। অদুবু মীতৈ নুপীশিংনদি সাহেবশিংগী মায়োক্তা চপ চানা লেপখি।

ঙসিদি কংলৈপাক অসিবু কনানা ঙাক্লিবগে? কংলৈপাক অসিগী ঙমখৈবু কনানা কনগদৌরিবগে? লৈঙাকপা হায়বদুবু কনানো? করম্বা কাঙলোনগী লৈঙাক পথাপনা লমদম অসিগী থৱায়শিংবু ঙাকপীবা ঙল্লিবগে? খরা চারি, থক্লি, শুরি নোম্লি অমগা অমগা শম্নদে। মীয়াম্না চোংলি। মীতৈ নুপীশিংনা চোংলি। কপ লাউরি, অকিবা ফংলবা তেংথা নাওইবগী খোঞ্জেলনা নীল্লি। মচা কায়নবগী, মপুরোইবা কায়নবগী, মখুন ঙাকচবা ঙমদবগী, ময়ূম লৈজরক্তবগী, চানীংঙাই থক্লিংঙাই লৈরক্তবগী কয়াদা য়ামখ্রবা অৱাবগী পোৎলূম্নো নন্থরক্লিবা? তুরেল অমা লানশিল্লুবা, চীংখোঙ অমা নকশিল্লুবা, লোক্লুং অমা কুম্লুবা, লৌবুক অমা চংলুবা য়াশিল্লক্তরে। লাপ্লবা তুইভাই তুরেল, লৈমতাক তুরেল, জিরি তুরেলদি লায়রদনা লৈমখোংদগী, শীংদাদগী, থাংজিং চীংখোঙদগী, কাঙচুপ চীংখোঙদগী, সেকমাই তুরেলদগী, ঈরিল তুরেলদগী তম্পাক্কা নক্লবা মফমশিংদা খোঙ্গুল তাবা য়াশিল্লক্তরে।

লমদম অসিদা শাৎচবা, লমদম অসিদা পোকচবা মশাগী শাগৈ, জাৎ লীংদুনা খুনপাল লৈপাল্লক্লিবা য়েলহৌমী কাঙলূপ ফূরুপ পূম্নমক কাং-খোং চাইরে। অমগা অমগা থাজনদ্রে, নুংশিনবা মরী তৎনখ্রবগুম। লাওনরি ঙাঙনরি শক্নরি। থাজবা মাঙখ্রবা মীওইবগী মতৌ হায়বদু খুন্নাই অসিদগী লৈত্রবগুম। চান থক্লবসু লৈরক্তরে। শুফম নোম্ফমসু লৈরক্তরে। হোৎনফমসু খঙদবা, তুংগী লম্বীসু লৈতবা, অৱা অনাতনা থল্লবা। হিংবদি মাল্লিবা অহিংবদি নৎত্রবা লম্মাক্নরবা, ইরাক্নরবা। মসিদগী কন্ননবা লম্বীদি লৈঙাকপা শাবশিংগী ওইনদি মকোক্তা মখূৎ হাপ্পবনি। মখোয়গী ঈদা অসুক লুবদি য়াওরক্ত্রবনি। পূম্নমকসে মীতৈ নুপী নখোয়তনদি উরিগনি। নখোয় নত্তনা কনা লৈরি? ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২২গী ৱাহং

১) "ৱানোম্বা" হায়বা ৱারীমচা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) "বিলি বিশ্বাশকী অঙকপা কেশ" হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরদা কনানা হন্দোকপগে? ওরিজিনেল রাইটরগী মমিং ইয়ু।

৩) "শৈরেং চাম্মনিপাল" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) "নুপীগী আশ্রম" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) "মপান মণিপুরগী মণিপুরী সাহিত্যগী মশক" হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবা অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।